## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 87.101065 |
| US Dollar | 74.893162 |
| British Pound | 102.991922 |
| Australian Dollar | 56.039943 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.712792 |
| Japanese Yen | 0.654633 |
| Malaysian Ringgit | 17.995113 |
| Singapore Dollar | 55.675872 |
| South Korean Won | 0.063816 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.971510 |
| Thai Baht | 2.242818 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47033.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47300.00 |
| Delhi | – | Rs | 47194.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47540.00 |

## GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only) Ujjwala connection available :15-10-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo .
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk up-to-date**
Home delivery contact no:93 66471778/8974087390/8787 632782

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 05-10-21
**B/upto - 06-10-21**
**Stock 306**
7am to 10am

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTODATE**
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI
9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**M/S ASHANGBI INDANE, SUGNU**
**B/upto-10-10-021.**
V/from-01-10--021.
**Stk-306.**
Only home delevery, call to 7629966437.
Time - 8am to 2pm

**HARAN VALLEY INDANE GRAMIN VITRAK, KWAKTA**
**Booking Up to: 03/10/2021**
Valid from: 21/08/2021
Please contact mobile no. 7085412191
Time: 7:30am to 10:30am

**GBD INDANE SERVICE**
**Booking upto :-06/10/2021**
Valid from :-13/09/2021
**Stock :- 286**
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm (Everyday Except Holiday )
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 03-10-21**
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Home delivery contact no.7005013837
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am
Name : Bimol Khumbong 1
Phone: +918787669877

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO 17/08/21**
Valid from 05/08/21
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
**BOOKING : BK.UPTODATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 30/09/2021
**BOOKING UPTO: 2/10/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 08-09-21**
VALID FROM 05-09-2021
**STK 306**
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 21-10-2021
CONTACT NO : 7005695308, 6009772483

# ৪৯শুবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল 'ইবুধৌ থাংজিং হরাওবা' ১সুং 'হাওসি নমোইনু' উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা চথরক্লিবা নুপী লীলা কাঙলূপকী অথোই অহেন তান্নবা ৪৯শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল-২০২০-২১গী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা ইম্ফাল থিএটরগী 'ইবুধৌ থাংজিং হরাওবা' উৎখ্রে।

অহানবা লীলা ওইনা উৎখিবা ঙসিগী প্লে অসিগী অইবা অমসুং তাকপী তম্বীবা লোইতোংবম দোরেন্দ্রোনি। লীলা অসিদা নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংনা থোইবীদা লৌশংবম বিদ্যারানি, সেনুদা কে ইরাইঙানবী অমসুং খম্নুদা চোংথাম রূপনি। থাঙ্গরাকপীদা এস সনাজাওবী অমসুং চীংমী ইমা অমগী শক্তমদা জে মিকনা শক্তম লাংখি। নুপাগী শক্তমদা খম্বদা তেকচম সনাতোম্বী, নোংবান্দা পাঙম্বম নিরমালা, শৌরাদা ৱাংখেম অপনা, মোইরানিংথৌদা বি তোম্বীসনা, চিংখুবদা এল ধনবতি, চাওবদা য়ুম্নাম শুমতি, থাঙ্গরাকপদা অথোকপম বোরদিনি অমসুং মুবাগী শক্তমদা থাংজম সোরোজিনিনা শক্তম লাংখি।

অনীশুবা উৎখিবা ওল মণিপুর ৱিমেন আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'হাওসি নমোইনু' অসি এস জেনিতানা ইবনি অদুগা টি ঐচ গ্যানেন্দ্রোনা তাকপী তম্বীবনি। নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদা লোইতেনবদা বিনো হুইরেম, খুঞ্জাও অহলদা ভাবিনি হুইরেম, তাওথোং অহলদা পি ঐচ সনামচা, তম্নলাইদা এন মেমচৌবী, নিংথৌবদা আর কে রঞ্জনা, পেনা খোংবীদা কাকি অমসুং য়াইফবী, তম্নলাইদা লমাবম নুপীমচা অমসুং ইবেমপিশক অমসুং মেমতোন, শগোল পাউদা তম্ফা ইবেম্মনা শক্তম লাংখি। নুপাগী শক্তমদা লৈরাংতোনদা টি ইবেতোম্বী, হাওসি নমোইনুদা কে নিভালিনা অমসুং মাতাগী শক্তমদা এল সেলিনা শক্তম লাংখি।

# লোক্তাক দেদা ঙা মচা লাখ ৪ হেন্না...

*লামায় ১গী মখা...* তাহল্লক্লে হায়খি।

লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীয়াম্নসু পাৎ অসিদা তাংজফম ওইরি হায়রদুনা হিংনবগীদমক্তা মীওইশিং অসিগী ঙা ফাবনা মরু ওইবা শিনফম ওইরি। মরম অদুনা ঙসি লোক্তাক পাৎতা তোঙান তোঙানবা মখলগী ঙা মচাশিং ঙামীশিংগীদমক য়েংলদুনা থাদবনি হায়খি।

থৌরম অসিগা ইরোয়ননা থাঙ্গগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা লোক্তাক ফেষ্টিবেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি, থাঙ্গগা খূৎশম্নদুনা থাঙ্গদগী লোক্তাক্তা ঙা মচা লাখ ১ হেন্না থাদখি।

থৌরম অদুদা এক্স মিনিষ্টর ঐচ সনায়াইমনা লোক্তাক ফেষ্টিবেল ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্টদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা মহৌশাগুম্না লোক্তাক ফেষ্টিবেল অসি পাক চাওনা পাঙথোকপা ঙমদ্রে। অদুবু কম্মিটিগী মায়কৈদগী লোক্তাক পাৎকী ইশা ৯দগী ঈশিংশিং শোক্লদুনা নুমিৎ অসিগী থৌনি থৌরমদি লোক্তাক লাইরেম্বী লম্পাক্তা পাঙথোকখি হায়রি।

# খাঙবোকতা থম্বাল শাৎলগনি...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট অধিকারিময়ুম শর্দানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা জেনরেল ইলেক্সন অসিদদি খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা শোয়দনা থম্বাল শাৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা চত্থরক্লিবা বি জে পিগী কেম্প্যেনগী মনুং চন্না খাঙবোক মন্দলগী ওইনা থম্বাল কেম্প্যেন ঙসি ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর (বি জে পি মণিপুর প্রদেশ) খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাংগী য়ূমদা থম্বাল কেম্প্যেন অসি হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবী পার্টি প্রসিদেন্ট এ শর্দানা ফোঙদোকখিবনি।

এসেমব্লি সেগমেন্ট অসিগী ওইনা ঙসি হৌদোকখিবা কেম্প্যেন অদুদা বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম কুমারজিৎ, বি জে পি ষ্টেট সেক্রেটরি এম প্রিয়োকুমার, বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে ঐচ রোমেনকুমার অমদি পার্টি অসিগী লুচিংবশিং অমসুং য়াম্লবা বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী কার্য্যকর্টাশিংনা শরুক য়াখি।

পার্টি প্রসিদেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীওইবগী পুন্সিবু কনবদা য়ূম্ফম ওইরিবা হেল্থ ফোর ওল, চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙনচিংবা কয়া বি জে পি লৈঙাক্না মীয়ামদা পীরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ওক্সিজেন মথৌ তাবা পেসেন্টশিংগী...

*লামায় ১গী মখা...* চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, রিমসকী ৱার্দশিংদা এদমিট তৌরক্লিবা কোভিদ পেসেন্টশিংগী মনুংদা অয়াম্বনা হীদাক কাপথোক্ত্রিবা মীওই ঙাক্তা ওইরি। মরম অদুনা মীপূম খুদিংমক হীদাক কাপথোকপা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা ইশা-ইশাবু ঙাকথোকচনবগী পান্থে অমনি হায়রদুনা মীপূম খুদিংমক তঙাইফদনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি হায়রি।

হীদাক কাপথোকপা মতমদা মীওই অমনা কাপকদৌরিবা কোভিদ-১৯গী হীদাক অদু মঙোন্দা কাপ্পদা চান্নগদ্রা নৎত্রগা মহাক্কী চহী মতাং অদুগী চুন্নবা হীদাক ওইব্রা নৎত্রগা ওইদব্রা হায়বদু খন্নীংঙাই ওইদে। রিমসকী দি ঈ আই সী বিল্ডিংদা লৈরিবা ভেক্সিন সেন্টরদা মীপূম খুদিংমক লাক্তুনা হীদাক কাপথোকপীয়ু অমসুং মফম অসিদা ডাক্টরশিংনা চ্যেক তৌরবা মতুংদা হীদাক কাপথোক্লি হায়রি।

রিমসকী ভেক্সিন সেন্টর অসি মতমগা চুন্নরবা খূৎশু খূৎলায়শিং মতিক চানা লৈরবা অমসুং হীদাক কাপ্লবা মতুংদা থোক্লককপা য়াবা থৌদোক খুদিংমকপু লাকশিনবা ঙল্লবা সেন্টরনি হায়রি।

অমরোমদা, রিমস হোস্পিটালগী ম্যেন কেজ্যুএলিটি বিল্ডিংদা লৈরম্বা পেদিয়াত্রিক ইমর্জেন্সি ব্লোক অদু থা অসিগী ১৮গী অয়ূক পুং ৮-দগী হৌরদুনা অনৌবা পেদিয়াত্রিক ইমর্জেন্সি ব্লোক্তা হোংদোক্লে অমসুং হায়রিবা ন্যু পেদিয়াত্রিক ইমর্জেন্সি ব্লোক অসিদা পেদিয়াত্রিক ইমর্জেন্সি পেসেন্টশিংনা লায়েংনবগীদমক ও পি দি টিকেট ককপদা শেল অমত্তা তিংলরোই হায়নসু রিমসকী চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# থানিলগী নুমিদাংৱাইরম অমা ...

*লামায় ১গী মখা...* পীখি। চহী অসিগী ওইনা শৈবানবদা শগোলশেম টিজেন্দ্র, শৈশকপদা উসম নিরজিৎকুমারদা পীখি। খুরাইজম ফুলোসনাথোই মনানা শৈরেংবা দোনেশ্বর কোন্সমদা পীখি। মনাশিং অসিদা শেল, শকখঙ চে অমদি ফিনচিংবা য়াওরি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা কোন্সম দিনেশ্বরনা খোমজিনবা শৈথারোল ১১শুবা, ১২শুবা অমদি হাওবম হেমন্তগী লোইনাইদ্রবা ঈশৈ কৌবা লাইরিক ৩সু ফোঙখি।

চহী অসিগী শৈরেংবগী মীংথোল পীখ্রবা নন্দলাল রোয়না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইশাগী নাৎ অমসুং চৎনবী লৈনা লৈনা অতোপ্পদগী পুরগা শীজিন্নবা হায়বসি খুন্নাই অসিগী মাঙজবনি হায়খি।

মীওইবগী পুন্সিদা পোকপদগী শিবা ফাওবা ঈশৈ হায়বসি থাদোক্লবা য়াদে। ঈশৈগী আর্ট অসি তম্বগী লোইবসু নাইদে। লমদমসিগী নহা শৈশকপশিংনা আর্ট অসিবু মমুৎ তানা তমশিনবগী মহুত্তা ইথক ঈরাংদা পুনবা হোৎনরকল্লিবা অসি খন্থনীংঙাই ওইরে হায়খি।

থৌরম অদুদা সালগী এদভাইজর রাজেন্দ্রো ওক্রম, এস কে এস দ্রাই ফিস এজেন্সী প্রোপ্রাইটর এস ঐচ রতন অমদি সাল মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবোচৌবনা ময়ায়গী ফম্ফমদা ফমদুনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা নুংশি নুংওলদা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরমদা রাজেন্দ্র ওক্রমনা শৈদিনপুরেল ওইদুনা লমসিগী অইবা ৩১না শরুক য়াবা মেরা থানিলগী শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরমসু পাঙথোককখি।

অমরোমদা, ফিক্সন এন্দ পোইটি ক্লব, মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ থৌরম ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, অশৈ লূপ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট দিলিপ ময়েংবম, লৈমরোল খোর্জৈকোল (লৈকোল), ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনি। ফিক্সন এন্দ পোইত্রি ক্লব, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট বুধিচন্দ্র হৈস্নামনচিংবনা অথোইবা মীথুংলেন, অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা ৬শুবা মপাউ চেফোঙ পুথোকখিবগা লোয়ননা 'ঈশিং চাইবী অমসুং লম্বী' গী অইবা বিরেন্দ্র নাওরেমদা মহা কবি অঙাংহল শৈরেং মনা খূৎশিন্নখি। মনা অসিদা শেল, শকখঙ চে অমদি ফিনচিংবা য়াওরি। লোয়ননা টাহির শাজবমগী 'অতিয়া নঙগুম্না' (শৈরেং) অমসুং থবাতোম্বী ঙাংবমগী 'পুন্সিগী অতিয়া' (শৈরেং) কৌবা লাইরিক অনীসু ফোঙখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লমদমসিগী অইবশিংনা শৈরেং শৈদিন্নবদসু শরুক য়াখি।

# কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ...

*লামায় ১গী মখা...* মীৎয়েং চঙনবা মীয়ামদা লাউথোকখ্রে। টেলিফোন নম্বরশিং অদুদি এস পি কন্ট্রোল রুম - ৯৬১২৭০০৭৮৫, ৯৩৬২১৫৩৩২২, কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী কন্ট্রোল রুম - ৯৩৬২৪২২৪৫৫, গমনোম সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী কন্ট্রোল রুম - ৯৮৬৩৭০১৯৫২, সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী কন্ট্রোল রুম - ৯৩৬২০৮৫০০৯, ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনগী কন্ট্রোল রুম - ৯৩৬৬৫১৭২২৭, কাংচুপ পুলিস ষ্টেসনগী কন্ট্রোল রুম - ৯৮৬৩৪৭৫২৭৭, লৈমখোং পুলিস ষ্টেসনগী কন্ট্রোল রুম - ৯৩৬২০০৫৫৪০ অমসুং ইন্নোভা পুলিস পেট্রোল ভেহিকলগী টেলিফোন নম্বরনা ৯৩৬২১৫০০৪৪নি হায়রি।

# মোধু কৈন্য কংলৈ ...

*লামায় ১গী মখা...* ইন্দ্রজিৎকী অপোকপা অমসুং অপোকপীগী মীংদা শঙ অমা মফম কন্দুনা থম্বা হায়বসি মায়কৈ শোমদা লৈরিবা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীগনি হায়খি।

হান্নগী ৱার্দ নম্বর ৬কী কোর্পোরেটর তৌরাংবম ইন্দ্রজিৎনা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা মীয়ামগীদমক খন্ন-নৈনবগী মফম লৈতবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরকপদগী মহাক্কী অপোকপা অমসুং অপোকপীগী মীংদা শঙলেন অসি শাবনি। মীয়াম্না শঙলেন অসি শেল তিংদনা শীজিন্নবা য়ানবা শাবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা পি ঐচ ই দিগী হান্নগী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র গোকুলচন্দ্রনা অখন্নবা মীথুং অমসুং তৌরাংবম ইবোয়াইমনা থৌরম মপু ওইখি।

# অপুনবগী শক্তম কন্নিংবদগী পোলিটিক্সতা ...

*লামায় ১গী মখা...* ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, কোঙ্গ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা মরম চাদনা মীওই কয়াগী পুন্সি পীখমনহনখি। অদুবু বি জে পি লৈঙাক হেক লাকখিবদগী লৈবাক মীয়াম পুক্নিং লৈতানা য়ূম-য়ূমদা লৈবা ঙম্লরে। অমরোমদা হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম অসিদা লুচিংবশিংনা পোলিটিকেল কার্দ শান্নদুনা লৈরবদি লমদম অসি অমুক্কা হেন্না শোকচিল্লক্লগনি। লমদম অসিগী লুচিংবশিংনা মশা-মশাগী খন্দুনা অদুমক থবক তৌনদুনা লৈরবদি চহী খরগী মনুংদা মণিপুর মচেৎ অহুম-মরি থোক্না কায়খিবসু য়ানা লৈরে। মরম অদুনা মণিপুরগী লুচিংবা খুদিংমক্না পোলিটিকেল কার্দ শান্নবগী মহুৎতা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়দনা পুন্না অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়খি।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লমদম অসিগী পোলিটিসিয়ন অয়াম্বনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইস্যুশিংগী মতাংদা য়েংদনা কম্প্রোমাইজ তৌনৈ। মসিনা মরম ওইদুনা লমদম অসিগী ফীভম অসি নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লিবনি। দিলিমিটেসনগী মতাংদসু চীংগী অয়াম্বা মফমশিংদা মীশিং কা হেন্না পানশিনবদগী চাওনা অকায়বা থোক্লককপা য়ানা লৈরে। লোগী মতুংইন্না চহী ১০/১০গী মীকোক থীবা অসিদা মফম অমগী মীশিং হেনগৎপগী চাং অসি মী ২০দগীনা ৩০ ফাওবা ওইরি। অদুবু চীংগী লমশিংদদি মীওই ১০০দগীনা ১৬০ ফাওবা হেনগৎনা পানশিল্লে। দিলিমিটেসন তৌবদা করিসু অকায়বা লৈতে। তৌবতবু অরানবা দেটাদা য়ূম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবদি য়ারোই। হৌজিক য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লবা মণিপুরীশিংগী মীশিংদগী মপান লমদগী লাকপা মীওইগী মীশিংনা চহী খরগী মনুংদা হেন্না য়ামখিবগী ফীভমদা লৈরে। মরম অদুনা মীতোপ-মীয়ানচাশিংগী মতাংদা ঐখোয়না তরাইনা লৌবা চুম্লোই। য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি। মীতোপ-মীয়ানচাশিংনা য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা ফুরুপ কয়া মাঙহনখিবগী খুদম কয়া ঐখোয়গী মাংদা তাদুনা লৈরবনি। য়াম্না নক্না য়েংলুবদা ঐখোয়গী জিরিদা হৌজিক-হৌজিক মৈতৈগী মশিং অসি শুপ্পগী ৪,০০০নি অদুগা মপান্দগী লাকপা মীওইগী মীশিংনা ৯০,০০০ হেন্না লৈখ্রে। মরম অদুনা জিরিদা মৈতৈ মুৎপগা পাঞ্জিক ওইরে।

অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৈঙাক্না অমদি মরি লৈনবশিংনা তোঙান-তোঙানবা কম্মিটি শেমগৎতুনা হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে। মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা কৈশামথোং এ সীগী লৈরিবা অৱাৎপা কয়াসু মেনখৎনবা থবক তৌগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# বি জে পিদা থাজরবদি লৈবাকসি মাঙলগনি...

*লামায় ১গী মখা...* থবক ওইনদি মণিপুরদা ফজনা উবা ঙমদ্রি হায়খি। কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক পায়রম্বা মতমদগী স্কিল দিভেলপমেনন্ট কম্মিসনগা পূন্না সর্ভে চত্থমিন্নদুনা কুমজা ২০১২দা লোইরগা ইমপ্লিমেন্টেসন তৌদনা থম্লম্লবা ঙাক্তনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা লাক্লগা স্কিম ময়ামশিং অসিগী মমিং ওন্থোক্লগা পুশিল্লক্তুনা মীংচৎ লৌবনি। স্কিমগী মমিংদি ফজবা অদুগা থবক্তি য়াওরক্ত্রগা করি কান্নগদগে হায়নসু হংখি। বি জে পি লৈঙাক্তি ইচম চম্না লৈজবা পোৎশক অমসু হেক্তা ওন্থোকপা ঙম্বা অমসুং ৱাহন্থোক অনী থোক্না মীয়ামদা লান্না উহনবা ঙম্বা লৈঙাকনি হায়খি।

লোয়ননা বি জে পি লৈঙাক্না ইলেক্সন মমাঙদা ৱাশকখিবা মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা জিরি লম্বী ফজনা শেম্বীদ্রে। ৱারে হায়দুনা মখোয়দা লৈঙাক পায়হল্লু, নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা এরোপ্লেন তাবা য়াহনগনি হায়খিবা অদু ঙসিদি সরক ময়ায়দা টাটা পুখরে, দ্রাইভর কয়া অৱাফমদা লৈরে হায়খি। চিন্দা খক ফবা নত্তনা থবক ওইনসু তৌসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অদুদা জেনরেল সেক্রেটরি অসিনা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মতাংদা পল্লদুনা হায়, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা পার্টি অসিগী লিদর পূম্নমক্না চুংশিন্নরগা মণিপুরগী শান্নরোয় কয়াবু মালেমগী থাক্তা পুথোকপা ঙম্নবা শেমগৎনবগী থৌরাং অমা ওইনা কোংগ্রেস পার্টিনা শেমগৎ শাগৎলগা থম্লম্লবনি। অদুবু কুমজা ২০১৪দা নরেন্দ্র মোদিনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওক্রম ইবোবীদা খুদোল ওইনা পাস তৌরবা মতুংদা পীরক্লগা বি জে পিনা পীরকপনি হায়বদি য়ারোই হায়খি।

মরম অসিনা বি জে পি লৈঙাক্না মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবগী অহানবা খোঙথাং অদু থাংবা হৌরে হায়না খল্লে। মীয়াম পূম্নমকসু চেকশিনমিন্নসি। মসিদা থাজবা থম্লগা চৎখিবা তারবদি লৈবাক অসি মাঙহৌবা তারে হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# মীয়াম্না মীখলদা চপ চাবা পাউখুম শোয়দনা ...

*লামায় ১গী মখা...* য়েংহৈদবা, তাহৈদবা কোন্নথংদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফেক এনকাউন্টরনি হায়দুনা ৱাকৎনরকখিবা থৌদোকশিংগী কেস ১৫০০ হেন্না থোকখিবা অদুনসু অচৌবা মরম অমা ওইগনি ফোঙদোক্লরক্লি।

অদুগা, হৌজিক টর্ম লোইশিল্লক্লবা বি জে পিনা লুচিংলিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মরাইবক্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী অনীশুবা ৱেভ মায়োক্নবদা খম থেংবা চৈনা ফংলবা মীয়ামদগী দিজল, পেট্রোল অমসুং এল পি জিগী মমল অতিয়া পক্না ৱাংখৎহন্দুনা লৌরকপা অসিগী মতুংইন্না চপ চাবা ৱাহন্থোক শোয়দনা পীনরক্ননি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লরক্লি।

অনৌবা পাঙথোক্কদৌরবা মীখল খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লবা লৈঙাক অসিনা মীয়াম্বু কোভিদ-১৯ পেন্দমিকতগী কলহৌনবগীদমক অঙম্বা থৌদাং লৌদুনা অমসুং অরৈবা পান্থে শীজিন্নদুনা হোৎনদবা নত্তে। অদুবু মীয়ামদা কোভিদ ভেক্সিন লেম্না কাপ্পী, টেষ্ট তৌবসু লেম্না তৌই অদুগা ওক্সিজেন পীবসু লেম্না পী হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা কোভিদ ক্যোর সেন্টরশিং য়াওনা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং অমসুং হেল্থ ফেসিলিটিশিংদসু পীবা য়াবা মতেংশিং মীয়ামদা লেম্না পী হায়রগসু নাকল অমরোমদা নুমিৎ খুদিংগী মীয়াম্না তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদবা পোৎলমশিংগী মনুংদা য়াওরিবা থাও অমসুং চাকথোঙ গ্যাসকী মমল হেনগৎলকপনা মায়োক্নহল্লক্লিবা অৱাবশিং অসিবুদি লমদম অসিগী মীয়াম্না খক কাউথোকপা তৌরোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লরক্লি।

অমরোমদা, পাউচে অসিনা হায়রিবা মরু ওইবা পোৎলমশিং অসিগী মতাংদা হৌজিক লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট খরগী মনুংদা লৈবা রিপোর্টশিং খোমজিনবদা ফংলকখিবগী মতুংইন্না পেট্রোলগী মমল খ্বাইদগী তাঙনা ফংবা মফমশিংগী মনুংদা মুম্বাই, মণিপুর, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অগরটলা অমদি নাগালেন্দনা ওইরি।

হৌজিক ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মরুওইবা সিটিশিংদা পেট্রোলগী ওইরিবা মমলশিং অদুদি মুম্বাই লিটর অমদা লুপা ১১১.৭৭; মণিপুর লিটর অমদা লুপা ১০৭.০৮; ৱেষ্ট বেঙ্গল লিটর অমদা লুপা ১০৬.৪৩; অগর্টরটলা লিটর অমদা লুপা ১০৬.০৮; ন্যু দেল্লি লিটর অমদা লুপা ১০৫.৮৪; নাগেলন্দ লিটর অমদা লুপা ১০৫.২৫; গোৱা লিটর অমদা লুপা ১০৩.৬২; মিজোরাম লিটর অমদা লুপা ১০২.৯৪; গুৱাহাটি লিটর অমদা লুপা ১০২.০৪; মেঘালয় লিটর অমদা লুপা ১০০.৯৮ অমদি ইটানগর লিটর অমদা ৯৮.১৬দা লৈরি। অদুগা দিজল থাউগী ওইনা মুম্বাই লিটর অমদা লুপা ১০২.৫২; গোৱা লিটর অমদা লুপা ৯৯.৯৬; অগর্টরটলা লিটর অমদা লুপা ৯৮.৫৯; ৱেষ্ট বেঙ্গল লিটর অমদা লুপা ৯৭.৬৮; নাগেলন্দ লিটর অমদা লুপা ৯৭.৫২; মণিপুর লিটর অমদা লুপা ৯৫.৪৬; ন্যু দেল্লি লিটর অমদা লুপা ৯৪.৫৭; গুৱাহাটি লিটর অমদা লুপা ৯৪.৪৯; মিজোরাম লিটর অমদা লুপা ৯৩.৯৯; মেঘালয়দা লিটর অমদা লুপা ৯৩.৪৮ অমদি ইটানগরদনা লুপা ৯১.৩২দা লৈরি।

ইমুং-মনুংদা নোংমগী চাননবা চিঞ্জাক্কীদমক চঙদ্রবা য়াদ্রবা চাকথোঙ গ্যাস এল পি জিগী মমল খ্বাইদগী তাঙবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অগরটলা, মণিপুর অমদি মিজোরামনা ওইরি। হৌজিক ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মরুওইবা সিটিশিংদা ফংলিবা চাকথোঙ এল পি জি গ্যাসকী কেজি ১৪.২গী মমল অসি অগর্টরটলা লুপা ১,০৬০.৫০; মণিপুর লুপা ১,০৫১.৫০; মিজোরাম লুপা ১,০৫১; মুম্বাই লুপা ৮৮৪.৫০; ৱেষ্ট বেঙ্গল লুপা ৯২৬; ন্যু দেল্লি লুপা ৮৯৯.৫০; নাগেলন্দ লুপা ৯১৮; গোৱা লুপা ৮৯৯.৫০; গুৱাহাটি লুপা ৯৪৮.৫০; মেঘালয় লুপা ৯৬৭ অমদি ইটানগরদনা লুপা ৯৬৫.৫০দা লৈরি।

এল পি জিগী মমল লেপ্পুনা সুম হেনগৎলকপগী মথক্তা মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা পেট্রোল, দিজল অমদি চাকথোং গ্যাসকী মমলনা পীরিবা চৈথেংশিং অসিদা লৈবাক অসিগী অখণ্ড অহৈশিং অমদি মীচম মীয়াম ফাওবনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টর অমদি ষ্টেটশিংগী লৈঙাকশিংদা চাওনা অকায়বা পীরবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। পেট্রোল, দিজল অমদি চাকথোং এল পি জি গ্যাসকী মমল হেনগৎলকপনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং মরক্তা অমুক্কা হেন্না অৱাবা পীবা হায়বদু ওইরে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা কম্পনি অমদি ফার্মশিংদা থবক তৌরিবা মীওই কয়া অমনা থবক্তগী লৌথোকপীখিবা অমদি লৈহৌরিবা ষ্টাফশিংগীনা থাগী ফংলিবা তোলোপ হন্থনা ফংবা মরম্না পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা মরুওইনা বি জে পি লৈঙাক্তা খম থেংনা ৱারৌনরে।

পেট্রোল, দিজল অমদি চাকথোঙ গ্যাসকী মমল লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপা মরম্না নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মমলসু খম থেংনা তাংনা ফংলি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ খরা শাফরক্লবসু মণিপুরদদি গাড়িগী অতোংমলসু হান্না লৌরম্বা মমলদগী তঙ্খাই হেন্না লৌরকপা অসিদা লৈত-লায়রবা নোংমগী এঞ্জাং-নাপী য়োন্দুনা অমদি হিংনবগী তঙাইফদ্রবা থবক্কীদমক চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদসু অচৌবা চৈথেং পীবা হায়বদু ওইরে। অসিগুম্না হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা নোংমগী শুজ-নোমজদুনা চারিবা মীওইশিংনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা শাওবগী মথক্তা লৈঙাক্কী থবক তৌবা সেভেন্থ পে ফংলবা মীওইশিংনা ফাওবা খোইরাং-খোইশাওনদবা নত্তে। মরম অদুনা হৌজিক মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি উবিদুনা পেট্রোল, দিজল অমদি চাকথোঙ এল পি জি গ্যাসকী মমল অসি খরমখৈ হন্থনবা হোৎনবিদ্রবদি মণিপুর ষ্টেট য়াওনা থা খরা অসিগী মনুংদা ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট মঙাদা চাওনা অহোংবা লাকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়না লৈবাক মীয়াম্না ফোঙদোক্লরক্লি।

# য়ুনিটিগীদমক পূন্না থবক ...

*লামায় ১গী মখা...*অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা থৌরম মপু ওইখি।

থৌরম অদু লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ অমসুং উত্রা শঙলেন সনা কোনুং (রোয়ল পেলেস) না পূন্না শীনবনি। থৌরম অদুদা ষ্টেট প্লান্নিং বোর্দকী চ্যেরমেন এল রামেশ্বর মীতৈ, হান্নগী মিনিষ্টর আর ভি মিংথিং, আর এস এসকী ওল ইন্দিয়া পি আর ও সুনিল দেস পান্দে, অসাম জোনগী প্রচারক প্রমুখ অশোকান কুসালিয়ানসু অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মেরা হৌ চোঙবগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তা য়াওরিবা 'পোৎ লান্নবা' গী থৌরমশিং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা সনা কোনুংদসু ঙসি অয়ূক মেরা মেন তোংবা অমসুং য়েনখোং তম্বগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা আর ভি মিংথিংগা পোৎ লান্নখি অদুগা সুনিল দেস পান্দেনা তাঞ্জুল নাগালোংগী হান্নগী প্রসিদেন্ট হোপিংসন সিমরেগা পোৎ লান্নখি। নিংথৌ লৈসেম্বা সনাজাওবনসু নিংথৌ ফম ভিলেজগী চীফ বি কে জোন থঙ্গালগা পোৎ লান্নখি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক্তি তোখায় তাবগী ৱাখল থাদোক্লদুনা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নরগা অপূনবা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া ওইহন্নবা ৱাখল্লোন চেনবগী মতম ওইরে। তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংনা থৌরম অসিবু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্ররি। অদুম ওইনমক মেরা হৌ চোঙবগী থৌরম অসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা অচৌবা থৌরম অমা ওইহল্লসি হায়দুনা হৌখিবা কুমজা ২০১৭তা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। মতম অদুদগী মেরা হৌ চোঙবগী থৌরম অসি ঙসি ফাওবদা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা থৌরম ওইনা চথরক্লি। কুমসি চহীগী থৌরম অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা খজিক্তং পীকথরগা পাঙথোকপনি। অদুম ওইনমক থৌরম অসিগী নুংগী ৱাখল্লোন্দা মান্নদবা ফুরুপশিংগী মীওইশিং অমত্তা ওইনা পূনশিন্নদুনা লৈমিন্নবগী ৱাখল অদুদি পোক্লি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী ৪ মখায় অসিদা অনৌবা লৈঙাক লাকপদগী চীং অমসুং তমগী মরক্তা লৈবা অমত্তা ওইবা লিচিংগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লে। হৌখিবা চহীদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা লোকদাউনগী অথিংবা লৈরিঙৈগী মনুংদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীয়াম্না মখোয়গী খুলদা থাবা মনা-মশিংশিং তম্পাক্কী মীয়ামগীদমক পুরক্তুনা পীরখি। থৌওং অসিমক চীংগী মীয়াম্না তম্পাক্তা লৈরিবা মখোয়গী মচিন মনাওশিংবু মীনুংশি উৎপগী থৌওংনি হায়খি।

# কোন্নাখোংদা ২৬শুবা লোক্তাক...

*লামায় ১গী মখা...* মীয়াম্না পাৎ অসিবু কন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু।

নম্বুল তুরেলদগী চেন্থরকপা ঈশিংদা য়াওরকপা ফত্ত-হাওদি অমদি প্লাষ্টিকনসু লোক্তাক পাৎপু মোৎশিনহনবগী চাউরবা মরম অমা ওইরি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লোক্তাক পাৎ অসিবু কন্নবা পায়খৎলকপা থৌরাং থৌশিলশিংগী শরুক অমা ওইনা নম্বুল তুরেলবু লূ-নান্না থম্ননবা থবক পায়খৎলি। নম্বুল তুরেল লূ-নান্না থম্লগদি পাৎ অসি মোৎশিনহনবগী চাংসু খরমখৈদি হন্থহনবা ঙমগনি। লোক্তাক পাৎকী মহৌশাগী ওইবা শক্তম ঙাক শেন্দুনা থম্বনা পাৎ অসিদা চাক্তারিবা সঙাই অমদি উচেক কয়াগী হিংনবগী লম্বী ওইরিবনি। পাৎ অসিনা লমদম অসিগী ইকোলোজিকেল বেলেন্স ঙাক্তুনা ইনভাইরনমেন্ট কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। মরম অসিনা মহৌশা লাইরেম্বীনা পীরম্বা লোক্তাক পাৎকী ঈশিং মোৎশিল্লক্লিবগী মরম করিনো হায়বা খঙমিন্নদুনা পাৎ অসিগী শক্তম মাঙহন্দনা থম্ননবা পুম্নমক্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা লুচিংদুনা লোক্তাক পাৎতা ঙা মচা কয়ামরুমসু থাদখি। লোয়ননা লোক্তাক লাইরেম্বী ইমাগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা লাইশোন-তিনশোলগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা লোক্তাক দে সেলেব্রেসন কম্মিটি কোন্নাখোংগী প্রসিদেন্ট অসেম শরতনা প্রসিদেন্ট, বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলগী প্রসিদেন্ট ইরোম রবি, লফুপাৎ তেরা কোন্নাখোং জি পিগী প্রধান নিংথৌজম বসন্ত, ময়াং ইম্ফাল পি এসকী এস দি পি ও মেঘবর্না, ও সী ও জয়মঙ্গল, লফুপাৎ তেরা জি পিগী ৱার্দ মেম্বর চিরোম গোপালনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# মীওই ৬৬ ফগৎলক্লগা ৭১ ...

*লামায় ১গী মখা...*অপূনবা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস মশীং ১,২২,৯৭০ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,১৮,৬৪৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল - ৪,৩২৩) শুরে । অদুগা অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,১৯,৭০৬ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,১৫,৪১৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল - ৪,২৯০) শুরে। অদুগা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ১,৩৬০ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,৩৩২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল - ২৮) লৈবগা লোয়ননা রিকোভরিগী চাংনা চাদা ৯৭.৩৫দা লৈরে হায়রি।

লোয়ননা ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ - ৬০৫ অমসুং বি টাইপ ১২৫নি হায়রি। অদুগা ঙরাং খক্তদা মীওই ৬৫৯২ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীশিং ১৮,৪৮,৬৮৩ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২,৩৮,১০০নি অদুগা সেকেন্দ দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৬,১০,৫৮৩নি হায়রি।

লোয়ননা ঙরাং ফাওবদা হীদাক কাপথোকখিবা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইবা হীদাক কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ চাদা ৭৩.১৩, অনীশুবা দোজ ২৮.৯২, চান্দেল - অহানবা দোজ ৫০.২৫, অনীশুবা দোজ ২৪.৯৯, চুড়াচান্দপুর - অহানবা দোজ ৬৩.২০, অনীশুবা দোজ ৩৪.৪১, ইম্ফাল ইষ্ট - অহানবা দোজ ৮০.৬০, অনীশুবা দোজ ৩৯.৯৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট - অহানবা দোজ ৮৪.২২, অনীশুবা দোজ ৪৭.২৯, সেনাপতি - অহানবা দোজ ১৭.৮৪, অনীশুবা দোজ ৯.৬৭, তমেংলোং - অহানবা দোজ ৩১.৬৮, অনীশুবা দোজ ১৪.০৭, থৌবাল -অহানবা দোজ ৭৩.৩৫, অনীশুবা দোজ ২৭.১১, উখ্রুল - অহানবদা দোজ ২৪.৭০, অনীশুবা দোজ ১৪.১৫, তেংনৌপল - অহানবা দোজ ৬৭.৮১, অনীশুবা দোজ ২৬.৩৩, কাংপোকপী - অহানবা দোজ ৪০.৪৫, অনীশুবা দোজ ১৬.৮৩, কামজোং- অহানবা দোজ ২৮.৪৮, অনীশুবা দোজ ১১.৩৯, জিরিবাম - অহানবা দোজ ১০১.৫, অনীশুবা দোজ ৫৩.২১, ফেরজোল - অহানবা দোজ ৩৯.৯০, অনীশুবা দোজ ২৭.৭৫, নোনে - অহানবা দোজ ৪৫.৮৩, অনীশুবা দোজ ২২.৬৮, ককচীং - অহানবা দোজ, ৭৪.১৯, অনীশুবা দোজ ৪০.০৯নি হায়রি।

লোয়ননা অপূনবা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা ঙরাং ফাওবদা লৈখিদবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজ কাপথোকখিবগী চাং অসিগী অপূনবগী ওইনা য়েংবদা মণিপুরগী ওইনা হীদাক কাপথোক্লবা মীওইশিংগী চাং চাদা অহানবা দোজগীনা ৬৩.৯০ য়ৌরে অদুগা অনীশুবা দোজগীনা ৩১.৫১ য়ৌরে হায়রি।

URGENTLY WANTED
GOVINDAJEE GOLD MORTGAGE
অথুবগী ওইনা Govindajee Gold Mortgage তা থবক তৌনবা মীওই 4 পামজে।
☞ সনাগী মরমদা মুননা খংবা মীওই অমা পামজৈ। মশাগী চহি 25 দগী 50 ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওইগদবনী।
☞ Class XII passed তৌরবা মীওই অনি মশাগী চহি 22 দগী 35 ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওইগদবনী।
☞ Class VIII passed তৌরবা Sweeper অমা।
N.B.: G.G.M. কী হান্নবা শিজিন্নরম্বা Phone No. অদু য়াখিদবনা মরম ওইদুনা মখাগী অনৌবা No. অসিদা সনা থম্বীনিংবা অমদি লৌথোকনিংবশিংনা পাও ফাওবীরকপা য়াগনি।
For details, please contact,
GOVINDAJEE GOLD MORTGAGE
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building, Palace Compound, Govindajee Road, Near Andro Parking, Imphal East, Manipur-795001
Office Timing : 7:30 a.m. to 6:00 p.m.
Phone No.: 7085591070/9485254065
HL-B/7219/15/10-14/11